

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,TUESDAY, OCTOBER 04, 2016 PAGE 7





*কুমজা ২০২৪ গী ওলিম্পিক্স গেমস য়ুম্বু ওইননবগী অকন্বা খোঙজং চঙশিল্লিবা ফ্রান্সকী সহর পেরিস সেক্যুরিটিগী চিংনবা অমত্তা লৈহল্লোই হায়না ফোংদোকখিবা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ফ্রানকোইজ হোলান্দে*

*ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা এষ্টোন ভিলা ক্লবনা মমাংদা ক্লব অসিগী মেনেজর ওইরম্বদগী ফম লৌথোকখ্রবা রোবার্টো দি মাতিয়ো*

## ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬

### নেরোকা এফ সি মেটচ মরি মায় পাক্তুনা লীগ টেবলগী মকোক্তা লৈরি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩ ঃ

মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট গী ১১ শুবা ইদিসনগী ঙসি মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা নেরোকা এফ সি শঙাকফম্না য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোং পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি মায় পাকপা অসি থারগা পুন্না মেটচ ৪ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১২ ফঙদুনা লীগ টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং এসোসিয়েসন (নিসা) থাং মৈবন্দ না টিদিম রোর্দ য়ুনিক গেমি প্লেয়র য়ুনিয়ন (ত্রাগপু) নম্বোলবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইখ্রে।

নেরোকা অমদি য়ং ফিজিক অনীনা শান্নখিবা মেটচতা কে ঐচ মালেমঙান্বনা পীরকপা পাস অমা সি ঐচ সুসিল কুমারনা ৩৪ শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা নেরোকাগী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়ননা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা ১–০ দা লিদ তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফতা সুসিল কুমারনা এটেম্প তৌবা বোল অমা য়ং ফিজিক্কী গোলিনা ঙাকথোরকপা বোল অমা চেনেদু ইমান্যুয়েলনা ফঙদুনা ৬১ শুবা মিনটতা নেরোকাগী অনীশুব গোল চনখি।

য়ং ফিজিক্কী মাইকৈদগী এন জি অরনোল্ডনা তৌখিবা এটেম্প অনী নেরোকাগী কিপরনা মায় পাকহনখিদে।

শান্নবগী লোইগদবা মিনট ১১ ৱাৎলিঙৈ সিঙাম সুবাসনা কোন্নর কিক অমা এম গোবিন্না হেদ তৌশিন্দুনা নেরোকাগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল অদু চন্বা ঙমখি।

নেরোকাগী মথংগী মেটচতা ত্রাউ ক্লকৈথেলগা ওক্টোবর ৫ দা থেংনগনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা নিসা অমদি ত্রাগপুগী মেটচতা টিম অনীমক্না অহানবা হাল্ফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী ৬৩ শুবা মিনটতা মিলন্না পুশিল্লকপা বোল অমা বিক্রমজিৎনা লৌনবা হোৎনবদা ১৮ য়ার্দ বোক্সকী মনুং দা ফাউল অমা তৌবদগী রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌবগা লোয়ননা কে ঐচ নাওতোন্না পেনালটি সোট অদু ৬৪ শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদুগী অহানবা গোল চনখি।

গোল চনখিবা মিনট ৫ গী মতুংদা নাওতোনগী অনীশুবা গোল অমা চনশিন্দুনা নিসা ২–০ দা লিদ তৌখি।

৭৪ শুবা মিনটতা নাওতোন্না খায়রকপা পাস অমা ৱাই ইবোমচানা গোল ওন্থোক্তুনা নিসাগী মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

ত্রাগপুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এস রতন্না ৭১ শুবা মিনটতা চনখি।

রেফরি পি রজেসনা শান্নরোই অনী নিসাগী আই খেলেন্বা অমদি ত্রাগপুগী কে ঐচ ওকেন শান্নবগী ৩৫ অমদি ৯০ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

হয়েং শান্নগদবা অহানবা মেটচতা এম খাবম লমখায় অমদি ক্লাসা কৈনৌ নুংথিল পুং ১ দা থেংনগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচনা এস এস য়ু শিংজমৈগা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকা পুং ৩ দা শান্নরগনি।

## ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুসু চেম্পিয়নসিপ্তা মণিপুরগী য়েংখোম জেসন্না ইন্দিয়াগী পুৱারিদা অহানবা গোল্ড মেডল ফঙখ্রে

বরগাস, ওক্টোবর ৩ ঃ

বলগেরিয়াগী সহর বরগাসতা মমাং থাগী ২৫ দগী হৌরকখিবা ৬ শুবা ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুসু চেম্পিয়নসিপকী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুর মচা য়েংখোম জেসন্না নুপামচাগী কে জি ৫২ গী শানশৌ ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফঙদুনা ইন্দিয়াগী ৱুসুগী পুৱারিদা অনৌবা লমায় অমা হাংদোকপা ঙমখ্রে।





য়েংখোম জেসন্না জুনিয়র ৱুসু ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা ঙসি ফঙখিবা গোল্ড মেডল অদুনা ইন্দিয়াগী ৱুসু জুনিয়র পুৱারীদা অহানবা শান্নরোই ওইনা গোল্ড মেডল ফঙবা ৱুসু শান্নরোই ওইরি।

নিংশিংবা য়াবদি য়েংখোম জেসন মমাংদা ইন্দিয়াগী ৱুসু নেসনেল চেম্পিয়নসিপ্তা গোল্ড মরিরক ফঙবা ঙম্লবা শান্নরোইনি। লোয়ননা মহাক শানশৌ ইভেন্টতা সিলভর মেডল অমসু ফঙবা ঙমখ্রে।

বলগেরিয়াগী সহর বরগাসতা পাংথোকপা ৬ শুবা ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নসিপ অসিগী মমাংওইননা ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৯৭ দগী ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুসু চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ারক্তুনা কুমজা ২০১৩ ফাওবা চহি ১৬ কী রেকোর্দতা সিলভর মেডল ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ১০ ফঙলকখিবনি। ঙসি য়েংখোম জেসন্না নুপামচাগী কে জি ৫২ গী শানশৌ ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফঙখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনদি চহি য়াম্লবা অসিগী মনুংদা অহানবা গোল্ড মেডল ফঙবা ৱুসুগী জুনিয়র শান্নরোই ওইরি।

ঙসি য়েংখোম জেসন্না ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা শান্নরোই অদু চাইনগী মমিং লৈরবা শান্নরোই জুন য়াংনি। বাউত অদুদা শান্নরোই অনীমক অকন্বা লম্বা ময়োক্নরবসু মণিপুর মচা য়েংখোম জেসন্না মহাক্কী অথুবা মশান্না অদুনা চাইনাগী শান্নরোই অদুবু হিরম কয়াদা লাকচবা ঙমখি। জেসনগী অথুবা অমদি মগুণ লৈরবা কিকশিংনা চাইনগী জুন য়াংবু লাকচবা ঙমখিবদগী বাউত অদু পোইন্ট ২–০ দা লোইশিন্দুনা গোল্ড মেডল অদু ফঙখিবনি।

মরক অসিদা পনবা য়াবদি য়েংখোম জেসন্না ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুসু চেম্পিয়নসিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই হেস্রোনরোল কেনেদি সিমাংঙুংশোংবু পোইন্ট ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি। মদুগী মতুংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নরিবা মণিপুরগী য়েংখোম জেসন্না সেমি ফাইনেলদা ইজিপকী শান্নরোই মোহমদ মেস্লিবুসু পোইন্ট ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা চাইনগী জুন য়াংগা লম্বা তৌরকখিবনি।

বলগেরিয়াগী সহর বরগাসতা মমাং থাগী ২৫ দগী ঙসি ফাওবা চংখিবা ৬ শুবা ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুসু চেম্পিয়নসিপ অদুদা মণিপুরদগী হৌখিবা ইন্দিয়াগী টিম অদুদা শরুক য়ারিবী নুপীমচা অনী অমসু মেডল ফঙবা ঙমখি।

নুপীগী কে জি ৫২ গী শানশৌদা থৌদাম মালেমঙান্বী সিলভর মেডল ফঙবা ঙমখি অদুগা কে জি ৪৮ গী শানশৌ ইভেন্টতা মণিপুরগী নাওরেম রোসিবিনানা ব্রোঞ্জ মেডল অমসু ফঙখি।

## ৬ শুবা পি টিলোটামা দেবী মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

জিরিবাম, ওক্টোবর ৩ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ), জিরিবাম গী মিৎয়েং মখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা টিম ১১ না শরুক য়াদুনা চংখরিবা ৬ শুবা পি টিলোতামা দেবী মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা ২২ শুবা মেটচতা ওরিয়েন্টেল ক্লব অমদি এস বি ৱাই সি গোল ১–১ দা চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ২২ শুবা মেটচতা ওরিয়েন্টেল ক্লব অমদি এস বি ৱাই সি শান্নখি। ওরিয়েন্টেল ক্লবনা তোচ ঙমদুনা সাইদ লৌখি অদুগা এস বি ৱাই সি না বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক য়াম্না ফজনা অমদি কম্পিটিটিব ওইনা শান্নখি। অদুবু ফার্ষ্ট হাল্ফ মমাংদা ওরিয়েন্টেল ক্লব কী শান্নরাই ইমরন না ৪ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা ওরিয়েন্টেল ক্লব কী মায় পাকনবগী আশা উখি। ফার্ষ্ট হাল্ফ মমাং ফাওবদা ওরিয়েন্টেল ক্লব না এস বি ৱাই সি বু গোল ১–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা ওরিয়েন্টেল ক্লবনা এটেক্ট কয়া তৌখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। এস বি ৱাই সি গী শান্নরোই রজু না ৫৮ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা ওরিয়েন্টে ক্লব অমদি এস বি ৱাই সি গোল ১–১ চন্নদুনা লৈখি। টিম অনীমক না অপীবা মতম ফাওবদা গোল ১–১ চন্নদুনা দ্রো ওইখি। হয়েং ২৩ শুবা মেটচতা এল এল এফ সি অমদি সন রাইজ ক্লব কদমটালাগা শান্নরগনি।



## ইম্ফাল ইষ্ট সুপর লীগ

### অবানা ৱাই ও এস সি থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩ ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা খুন্দ্রাকপম প্রিয়া গ্রাউন্দদা চংখরকপা মহারাজ কুমার ঘনেন্দ্রজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অবা খেক্মিগাওনা ৱাই ও এস সি খুরাইবু গোল ৪–৩ দা থোইখ্রে।

অহান্বা হাল্ফকী ১২ শুবা মিনটতা ৱাই ও এস সি গী দব্লিউ সোকেন্না মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা ২৯ শুবা মিনটতা এ ঙৌথাংনা গোল অমা হাপচিন্দুনা ৱাই ও এস সি গী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল হেক চন্বগা মিনট অমগী মতুংদা বিজেন শর্ম্মা না অবাগী অহানবা গোল চন্দুনা ৱাই ও এস সি না ২–১ দা লিদ তৌদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অহৌবা মিনটতা কে ঐচ তোনতোন্বনা ৱাই ও এস সি গী গোল অমা হাপচিনখি।

গোল হন্দোক্লবগীদমক অবাগী প্লেয়রশিংনা কন্না হোৎনদুনা ৪৩ শুবা মিনটতা এস এল অলিনা অনীশুবা গোল চনখি।

মহাক্না অপীবা মতমগী লোইশিনগদবা মিনট ৪ ৱাৎলিঙৈ গোল অমগা চনশিন্দুনা অবানা ৪–৩ দা কাবা ঙমখি।

শান্নবসিগী ৬৫ শুবা মিনটতা অবাগী অহুমশুবা অমদি ইক্যুলাইজ গোল অদু চনবা ঙমখিবনি।

ঙসি অতোপ্পা মেটচ অমদা ই এস য়ু ৱাঙ্খেগা য়ু পি এস এ পুখাওগা গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

এল কিরন অমদি রামচন্দ্রনা শান্নবগী ৮ অমদি ৫৪ শুবা মিনটতা য়ু পি এস এ গী গোল অমমম চনখি। অদুগা থাঙ্গবরনা ই এস য়ু গী গোল অনীমক ১৭ অমদি ৩৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট সেকেন্দ দিভিজন লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মালোমগী ৱাই দব্লিউ সি গ্রাউন্দদা পাংথোকপা ৬ শুবা কে করনজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসিগী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা য়ু পি সি পিশুম ওইনাম লৈকায়বু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহান্বা হাল্ফতা টিম অনীনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাল্ফকী ৩৯ শুবা মিনটতা ই অলবাটনা ৱাই দব্লিউ সি গী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমখিবনি।

রেফরি ইবোহলনা অকাবা টিমগী এন জি লাফু অমদি য়ু পি সি গী কৃতিকুমার অনীবু মেটচকী ৬৮ অমদি ৪৭ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পামযাল পাৎসোইনা ঐচ এল এস সি হাওরৈবীবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

অহানবা হাল্ফকী লোইগদবা মিনট অনী ৱাৎলিঙৈদা এস ঐচ ভারতনা ৩৩ শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি।

অদুগা অনীশুবা হাল্ফকী ৩৯ শুবা মিনট গোলমৈ অমুনা গোল ইক্যুলাইজ তৌখি। টিম অনীনা ১–১ দ্রো ওইরবা মতুংদা দব্লিউ রোজেন্না ৫০ শুবা মিনটতা অমদি এস ঐচ অমরজিৎ অমদি ৬৩ শুবা মিনটতা গোল অমমম চন্দুনা মায় পাকপা ঙমহনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা ঐচ এন এস সি গাংমৈ চামখোনলুংবু ১৪ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

চংখরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৬ না শরুক য়ারি।

## ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬

### পি ৱাই সি ফাইতোয়েল না রিতয়র্দ নমদাইলোং বু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ) জিরিবামগী মীৎয়েং মখাদা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা চংখরিবা ১৪ শুবা টি ঐচ রাধমানি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা ৮ শুবা মেটচতা পি ৱাই সি ফাইতোয়েল না রিতয়র্দ নমদাইলোং বু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ৮ শুবা মেটচতা পি ৱাই সি ফাইতোয়েল অমদি রিতয়র্দ নমদাইলোং শান্নখি। পি ৱাই সি ফাইতোয়েল না তোচ ঙমদুনা সাইত লৌখি। অদুগা রিতয়র্দ নমদাইলোং না বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক ফজনা শান্নখি। মেটচকী ১৪ শুবা মিনটতা পি ৱাই সি ফাইতোয়েল গী শান্নরোই ভেংচাং না গোল অমা চন্দুনা পি ৱাই সি গী একাউন্ট হাংদোকখি। মতুং অমুক ৩০ শুবা মিনটতা পাওবোই জুনিয়র না গোল অমগা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ মমাংদা পি ৱাই সি ফাইতোয়েল না গোল ২–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা রিতয়র্দ নমদাইলোং গী শান্নরোই গুইগমলুং না ৫৬ শুবা মিনটতা গোল অমগা চন্দুন গোল ২–১ দা পি ৱাই সি না মাংজিন থাদুনা চৎখি। মরম অসিদা রিতয়র্দ নমদাইলোং গী শান্নরোই গুইগমলুং না মহাক্কী ২ শুবা গোল অমা লোইরমদাই ৭১ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা টিম অনীমক্না গোল ২–২ গী ফিভম দা লৈনরিগে মরক অসিদা পি ৱাই সি ফাইতোয়েল গী শান্নরোই কমখোংলুং না ৭৫ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা পি ৱাই সি ফাইতোয়েল না রিতয়র্দ নমদাইলোং বু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি। রেফরিনা পি ৱাই সি ফাইতোয়েল গী শান্নরোই মাংচা বু অনস্পোর্টিং বিহেভিয়ারগীদমক ২০ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। হয়েংগী ৯ শুবা জে ৱাই সি য়াইরোলপোকপী অমদি ইচেল ক্লব দিবোংগা শান্নরগনি।



## ৪ শুবা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস ভেটরান এসোসিয়েসনগী স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩ ঃ

৪ শুবা সহর হিলস দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস ভেটরান এসোসিয়েসন মীট সদর হিলসকী ভেটরান হোম গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা চিফ গেষ্ট ওইনা এস মোলনোমগী চিফ হাউখোতিলেন বাইফৈ, সদর হিলস গোর্খা য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট হরী প্রসাদ দি এস এ সদর হিলসকী প্রসিদেন্ট ওইরীবা থবক্তগী পোখরবা এম সি এস ওফিসার ওইরম্বা চোংপু কীপজেন্না মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওর্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইখি।

ভেটরান টিমগী শান্নবগী অহানবা মেটচতা কে এম সি ভেটরান অমদি হায়পী ভেটরান গোল ১–১ দা দ্রো চৎখি। ২ শুবা মেটচতনা কে এস সি ভেটরান না তুজাং লহাংবু ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

ভেটরান মেটচ অসি সহর হিলস কী অহল ওইরবা শান্নরোইগীদমক্তা অখন্নবা জাৎ ধর্ম্ম খায়দনা নুঙাইবা মশান্না অমা ওইননবা শীন্বনি হায়না এ দি সি সদর হিলসকী এক্সিক্যুটিব মেম্বর লুনথাং হাউকীপনা ফোংদোকখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুগা লমদম অদুগী অহল নহা কয়ানা শরুক য়াখি হায়রি।

## ইবোয়াইমা অমদি পুইনাবটি কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩ ঃ

মঙশতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুইনাবটি নিংশিং কাং টুর্নামেন্টকী ৫ শুবা ইদিসনগী নামৈরকপম কম্যুনিটি হোলদা পাংথোকপা টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ৱাঙ্গৈই কাংখুৎনা য়াইস্কুল কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৭–১৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

চংখরিবা টুর্নামেন্ট অসি টিম ১২ না গ্রুপ মরি থোক্না শরুক য়াদুনা মমাং থাগী ১২ দগী হৌখিবনি।

নিংশিংবা য়াই ঙরাং শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা থাংমৈবন্দ কাংখুৎনা কোন্থৌজম কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৬–১০ দা থোইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ শিংজমৈ কাংখুৎ অমদি থাংমৈবন্দ কাংখুৎ ওক্টোবরগী তাং ৪ দা থেংনগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলনা কৈশামথোং কাংখুৎ অমদি ৱাঙ্গৈই কাংখুৎ ওক্টোবর তাং ৬ তা লম্বা তৌনরগনি।